ইন্দিয়াগী অহানবা মী তোংবা স্পেস মিসন কুমজা ২০২২ ফাওবদা মপুং ফানা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী অহানবা মী তোংবা স্পেস ফ্লাইট গগনয়াননা স্পেসতা নুমীৎ তরেৎনিগী মিসন পাঙথোক্নবা শেম-শাবগী থবক কুমজা ২০২২ ফাওবদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

স্পেস ফ্লাইট অদুনা মীওই অহুম পুগনি। লোয়ননা কিলোমিটর ৩০০-৪০০ ৱাংবা মালেমগী লো ওর্বিটতা নুমীৎ তরেৎনি কোয়দুনা লৈগনি। মিসন অদুগী মতাংদা এটোমিক ইনর্জি এন্দ স্পেস মিনিষ্টর (ষ্টেট) জিতেন্দ্র সিংহনা হায়, জিও সিনক্রোনস লোঞ্চ ভেহিকল (জি এস এল ভি) এম কে-৩ গী ষ্টেজ অহুম লৈবা রোকেটনা গগনয়ান স্পেস ক্রাফ্ট অদু পুখৎকনি। হেভি লিফ্ট লোঞ্চ ভেহিকল অদু হায়রিবা মী তোংবা স্পেস ক্রাফ্ট অদু পুখৎপা ঙম্বগী চপ চাবা মতিক ময়াই লৈ। স্পেসতা মী য়াওবা মিসন পাঙথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা গগনয়ান মিসন অনী মথং মথং পাঙথোকখিগনি।

প্রোগ্রাম অদু কুমজা ২০২২ ফাওবগী মমাঙদা মপুং ফানা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি। মী তোংদবা গগনয়ানগী অহানবা মিসন থা ৩০ গী মনুংদা পাঙথোক্কনি। মিসন অদুনা স্পেস ক্রু মেম্বর অহুম নুমীৎ তরেৎনি স্পেসতা লৈবা য়াননবগীদমক অহানবা চাংয়েং ওইনা পাঙথোক্কনি। স্পেস ক্রাফ্ট অদু মালেমগী লৈমায়দগী কিলোমিটর ৩০০-৪০০ ৱাংবা লো ওর্বিটতা পাইদুনা লৈগনি। প্রোগ্রাম অদু পায়খৎপদা য়ামদ্রবদা লুপা ক্রোর ১০,০০০ চঙগনি হায়না পান্নরি। গগনয়ান মিসনগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চৎলিবা চহী অসিগী ইন্দিপেন্দেন্স দে নুমীৎতা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রবনি। লোয়ননা মী তোংবা মিসন অদু পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০২২ ফাওবদা নৎত্রগা মদুগী মমাঙদা নুপা অমসুং নুপী পুবা স্পেস মিসন অদু পায়খৎতুনা স্পেসতা মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনগনি। পাক চাউরবা প্রোগ্রাম অদু লৈবাক অসিগী ওইনা মঙজরকপা অমদি নীংদুনা লাকখিবা অমনি। ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসনগী মখাদা পায়খৎকদবা মিসন অদু শিংথানিংঙাই ওইবা অমনি। মিসন অদু পায়খৎনবা হোৎনবদা লৈঙাক অমসুং প্রাইভেট এজেন্সীশিংনা থৌদাং লৌরি। মিসন অদুনা ইন্দিয়াবু স্পেসতা মী থাবা ঙম্বা মালেমগী মরিশুবা লৈবাক ওইহল্লগনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অদু হেন্না থুজিন্নবগীদমক ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন্না স্পেসকী লমদা হেন্না খুম্মাং চাউশিনখ্রবা মরুপ-মপাং ওইবা লৈবাকশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা মতেং নীগনি। স্পেসতা মী পুখৎত্রিঙৈ মমাঙদা অতোপ্পা মিসন অনী মথং মথং পাঙথোকখিগনি। অহানবা মিসন্না থা ৩০ গী মনুংদা পাঙথোক্কনি। অদুগা অনীশুবা মিসন্না থা ৩৬ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লবা শেম-শারি। মদুগী মতুং ইন্দিয়াগী অহানবা মী পুবা স্পেস ফ্লাইট অদু থা ৪০ ফাওবগী মনুংদা কাপখৎকনি। স্পেস ক্রাফ্ট অদু খ্বাইদগী নেম্বা আর্থ ওর্বিটতা থমগনি।

পি এস এল ভি-এম কে-৩ না মালেমগী লৈমায়দগী কিলোমিটর ৪৫০ ৱাংবা ওর্বিটতা স্পেস ক্রাফ্ট অদু থন্বা মতমদা মীনিট ১৬ চঙগনি। অদুগা স্পেসতগী অমুক লৈমায়দা হল্লকপা মতমদা অশোয় অঙাম থোক্তনবা থৌশিল কয়া পায়খৎপগা লোয়ননা মীনিট ৩৬ কী মতম লৌগনি। ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসনগী প্রোগ্রামশিংগী মনুংদা হন্দক্কী মিসন অসি খ্বাইদগী হেন্না পূক্নিং চঙবা মিসন অমনি। লোয়ননা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী লমদা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌবা ঙম্বগী মতিক ময়াই অদু উৎপা ঙম্লগনি হায়না আই এস আর ওগী চ্যেরমেন ডা. কে শিভননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স চৎনরোই : মমতা বেনর্জি

কোলকটা, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী):

সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) দা অকনবা এটেক চথরদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং তৃণমুল কোংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনর্জিনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী) চৎনরোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবী অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পি মায়থিবা পীগনি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদা এন আর সী কৈদৌনুংদসু চৎনহল্লোই। বি জে পিগী লুচিংবশিংনা শিংনদুনা লাক্লি। মখোয়না শিংনরক্লিবা অদুগী চপ চাবা পাউখুম পীগনি হায়খি।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট অদুগী পঞ্চায়ট মীখলদা পার্টি অদু মায়থিবা নংখ্রবনি। পার্টি অদুনা শাথিবা পোলিটিক্স তৌদুনা ষ্টেট অসিবু নমথনবা হোৎনরি। বি জে পিনা মাওইষ্টনা খুৎলিংবা মফম খরগী সিট ফংখিবা য়াই। অদুম ওইনমক ষ্টেট অদুগী মনুং চনবা অতোপ্পা সিটশিংদি ফংবা ঙম্লোই। নাকল অমরোমদা, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া-মাক্সিস (সী পি আই-এম) গী গুন্দাশিংনা মখোয়গীদমক থবক তৌরি হায়না ঙসি তৃণমুল কোংগ্রেস ষ্টুদেন্টস ৱিংগী ফাউন্দেসন দেগী থৌরমদা লুচিংবী অদুনা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এন আর সীনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা সিটিজনশিংবু অরানবা মীৎয়েং য়েংদুনা ফোরেন্নর ওইনা লৌনবা হোৎনরি। মদু খাংবা ঙম্লোইদবা অমনি। ঐখোয় বেঙ্গোলগী কৈ হায়বা কাঙবু অদুনি। ইন্দিয়াগী সিটিজনশিংবু ফোরেন্নর অমা ওইনা মফম অমদা লৌবা হায়বদু খাংবা ঙম্লোইদবা অমনি। অসামদা এন আর সীগী থৌশিল পায়খৎতুনা দ্রাফ্ট লিষ্ট ফোঙখ্রে। মদুনা বঙ্গালি, বিহারী অমসুং হিন্দুশিং ষ্টেট অদুদগী তান্থোক্লবা হোৎনরি। অদুগুম্বা থৌশিল অদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি।

অসামগী এন আর সী থৌশিল চাউনা হোংদোকপগী তঙাইফদবা লৈ। ষ্টেট অদুদা লৈবা মীওই লাখ ৪০ রোম অহানবা ফোঙখিবা দ্রাফ্ট লিষ্ট অদুদা য়াওদ্রে। বাংলাদেশতগী চঙশিল্ল-কখিবশিং হলহনখিবা ঙমদনা লৈরি। মদুদা নত্তনা অসামগী এন আর সীদা মিং হাপ্ন নবা থাগৎলকখিবা চে-চাং কয়া মাঙখিবগী থৌদোকসু লৈরিবনি হায়রি।

হিমাচল প্রদেশতা চীং নীংখায়রকপদগী শা-ষন কয়া শিরে

কুলু, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী):

হিমাচল প্রদেশকী কুলু দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নির্মন্দ খুঙ্গংদা চীংগী শরুক খরা নীংখায়রকপদা শা-ষন ১১৬ অমসুং মীওই অমা শিখ্রে। পঞ্চায়টকী লুচিংবা রাকেশ থাকুরনা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা শা-ষন কয়া শিখ্রে হায়বদু চুম্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুম ওইনমক খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা শিখ্রবা শা-ষনশিং অদুগী হকচাং কয়া ফংবা ঙমদনা লৈরি। অদুম ওইনমক অশিবা শা কয়াগী হকচাং ফংবা ঙম্লে। নুমীদাংগী মতমদা থোকখিবা থৌদোক ওইবনা অমম্বা মরক অদুদা শা-ষনশিং অদু থিনবা হোৎনবদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লখি হায়রি।

পঞ্চায়টকী লুচিংবা অদুনা মরী লৈনবা পুলিস অমসুং রেভিন্যু দিপার্টমেন্টতা খঙহনখিবদা থৌদোক অদুদা কয়া য়াম্না মাঙ-তাকখ্রবগে হায়বদু লেপথোক্কদবনি। লোয়ননা হৌজিক লমদম অদুদা ওইরিবা ফীভমশিং অদু কুপ্না য়েংশিনগদবনি। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ফীভম অদু য়েংশিনবগা লোয়ননা চপ চাবা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্লবসু খঙহনখ্রে হায়রি।

শিংনরকপা কয়াদগী মায় পাক্লা এম কে ষ্টেলিননা দ্রাবিদা মুনেত্রা কজাগমগী প্রসিদেন্ট ওইখ্রে

চেন্নাই, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী):

তামিল নাদুগী চেন্নাইদা লৈবা দ্রাবিদা মুনেত্রা কজাগম (দি এম কে) গী হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকপা থৌরম অমনা এম কে ষ্টেলিনবু পার্টি অদুগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে। পার্টি অদুগী হেদ ক্বার্টরদা ফমখিবা জেনরেল কাউন্সীল মীটিংনা মীওই অদুবু লুচিংবা ওইনা খল্লে হায়না লাউথোকখি।

পার্টি অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা ফম অদুগীদমক ষ্টেট অদুগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৬৫ দা লৈবা সেক্রেটেরিশিংনা ষ্টেলিনবু পার্টি অদুগী প্রসিদেন্ট ওইননবা নোমিনেট তৌরকখি। মীওই অদুনা পার্টি অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা ফম অদুগীদমক মীরেপ ওইননবা নোমিনেসন ফাইল চৎলিবা থা অসিগী ২৬ তা থাজিল্লকখি। লুচিংবা অদুনা অনীরকশুবা ওইনা পার্টি অদুগী লুচিংবা ওইরগনি। মহাক্কী অপোকপা এম কে কুরুনানিধিনা চহী ৪৯ চুপ্পা পার্টি অদুগী লুচিংবা ওইরমখি। ষ্টেলিননা কুমজা ২০১৭ গী জানুৱারিদগী পার্টি অদুগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুবা হৌরকখি।

কুরানানিধি লৈখিদ্রবা মতুং ষ্টেলিননা পার্টি অদুগী মরুওইবা থৌদাং পুদুনা লাক্লি। পার্টি অদুগী লুচিংবা খনবগী মতাংদা চয়েৎনবা ফীভম কয়া থোক্লি। ষ্টেলিন অমসুং মহাক্কী ময়াম্বা এম কে অলাগিরিগী মরক্তা লুচিংবা ওইবগী মতাংদা চাউনা উংখৎনবা লৈখি। দি এম কেগী হান্নগী মিনিষ্টর অমা কুরুনানিধিনা পার্টিগী মায়োক্তা থবক তৌবা অমসুং ৱাথোক ওইবা য়াবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপগীদমক তান্থোকখিবা লৈখ্রে। কুরুনানিধিনা ষ্টেলিনবু পোলিটিক্সকী লমদা থবক পুবা ঙম্বা মীওই অমনি হায়না মমিং পল্লম্বা লৈখি। পার্টি অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা ফম অমসুং পৱার ফোর্মেল ওইনা শিন্নবগী লানফম অদুদা ষ্টেলিননা মায় পাক্তুনা দি এম কেগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরগনি।

কুরুনানিধিগী হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লকপনা মরম ওইরগা পার্টিগী থৌ পুবা ঙম্লকখিদ্রবা মতুং কনাদা ফম অদু শিন্নগদগে হায়বগী মতাংদা চয়েৎনবা ফীভম কয়া লৈরি। ষ্টেলিনগী ময়াম্বা অমনসু ফম অদু পায়ননবা হোৎনরকখিবা লৈখি। অদুম ওইনমক ষ্টেলিন্না মায় পাক্তুনা ফম অদু পায়বা ঙমখ্রে হায়রি।

ফিশরমেন মিনিষ্ট্রি অমা শেমগনি হায়না কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা কেরলাগী মীয়ামদা ৱাশকখ্রে

টিরুবনন্তপুরম, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী):

য়ুরোপকী খোঙচৎতা নুমীৎ কয়ানি লৈরুরবা মতুং হল্লকখিবা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ঙসি কেরলাগী ঈচাউদা খুদোংথিবা নংখ্রবা মীওইশিংগা উনখ্রে।

লমদম অদুদা হৌজিক মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিনহন্নবা অকনবা থৌশিল কয়া পায়খৎলিবনি। কুমগী নোংনা মরম ওইরগা থোকহনখিবা ঈচাউ অদুনা মীওই ৩০০ হেনবগী পুন্সি মাংহনখ্রবা লমদম অদুদা ওইরিবা ফীভমশিং লুচিংবা অদুনা য়েংশিনখ্রে।

লুচিংবা অদুনা চেঙ্গানুর, অলাপুজা অমসুং ইর্নাকুলমদা লৈবা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা খুদোংথিবা নংলবা মীয়ামগা উনখি। হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট অহুম অদু হন্দক থোকখিবা ঈচাউ অদুদা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথিবা মায়োক্লখ্রবা মফমশিংনি। ষ্টেট অদুগী দিষ্ট্রিক্ট ১৪ গী মনুংদা ১৩ দি ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লখি। হৌজিক ফাওবা মীওই কয়া রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈনরি।

লমদম অদুদা লৈবা য়ুম কয়া ঈশিং থুমজিন্দুনা নুমীৎ কয়ানি অৱাবা মায়োক্লহনখি। লমদম অদুদা লৈবা ঙামী কয়া অৱাবা মায়োক্লখি। ঙামীশিংনা মীওই কয়া কনখি। মদু অপীকপা থবক অমা নত্তে। ঙামীশিংনা লৌখিবা থৌদাং অদু শিংথানিংঙাই ওইবা অমনি। করিগুম্বা কোংগ্রেস পার্টিনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রক্লবদি ঙামীশিংগী ওইবা মিনিষ্ট্রি অমা শেমগনি হায়না লুচিংবা অদুনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অদু ফোঙদোরকপদা, লমদম অদুগী ঙামী কয়ানা খুবাক খুদুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লরকখি। রাহুল গান্ধীনা হায়, মহাক অরানবা মওংদা ৱাশকপা পামদে। নখোয়না ফীভম অদু পান্লবা, লৌমী অমসুং ঙামীশিংনা লৈবাক অসিবু শেমগৎপা পান্লবদি মহাক্কী পার্টিবু মতেং পাংবীদুনা অদুগুম্বা থৌশিল অদু পায়খৎপা ঙম্ন বগী তাঞ্জা অদু ফংহনবীয়ু হায়খি। ষ্টেট অদুদা থোকখিবা ঈচাউ অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুপা ক্রোর ৫০০ গী তেংবাং পীখিবা অদু মতিক চাদে হায়না লুচিংবা অদুনা ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

পি এম, ইমুং-মনুংশিং হাৎনবা থৌরাং তৌবনি হায়বা মীওই ১ ফারে

হায়দ্রবাদ, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং মহাক্কী ইমুং-মনুংশিং হাৎননবা থৌশিল চথবদা চেন্নবনি হায়বা মাওইষ্টকী ৱাখল্লোন লৈবা ভরভারা রাও কৌবা মীওই অমা হায়দ্রবাদতগী মহারাষ্ট্রা পুলিসনা ঙসি ফারে।

পুলিসকী খুৎপু অমনা রেভোল্যু-স্নরিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ইদুনা ফোঙখিবনি হায়বা মীওই অদুগী য়ুমদা থি-হুম্বগী থবক চথখি। ফারবা ভরভারা রাও লৈঙাক্কী গান্ধী হোস্পিটালদা মেদিকেল চেক অপ তৌখ্রে। মহাক পুনেদা লৈবা কোর্ট অমদা হয়েং পুথোক্লবা য়াই হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না মীওই অদুদগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি হাৎননবা থৌশিলগী শরুক অমা ওইবা চেরোল অমসু ফংবা ঙমখি। মহাক্তা নত্তনা থৌদোক অদুগা মরী লৈনবা অমসুং ভিমা হোরেগাও ভাইওলেন্সতা চেন্নবা মীওই মঙাসু ফাগৎখ্রে হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর হাৎননবগী থৌশিলনি হায়না চিংনরিবা চেরোল অদুদা আর হায়বা মিং অমা শীজিন্নরি। মদু হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রাজিব গান্ধী হাৎখিবা মতমদা শীজিন্নখিবা ময়েক অমনি। চেরোল অদুদা এম-৪ রাইফল লৈননবগীদমক লুপা ক্রোর ৮ তঙাইফদবা লৈ হায়নসু ফোঙদোক্লি।

চেরোল অদু ভরভারা রাওগী মিং য়াওরম্বা থেংনৈ। ভরভারা রাও ভিরাসন হায়না খঙনবা কাঙবু অমগী লুচিংবা ওইরমখি। মখোয়না রেভোল্যুস্নরিগা মরী লৈনবা ৱারোল কয়া ইখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক মীওইশিং অদুনা মখোয়গী মথক্তা শিরক্লিবা মরাল অদু য়ুক্ফম য়াওদবনি হায়না ফোঙদোক্লি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই মঙা ফারে। মখোয় মাওইষ্টকী ৱাখল্লোন লৈবা মীওই কাঙবুনি হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা দিল্লিবু মালেমগী থাক্তা শেমগৎপা পামদে : সিসোদ্যা

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা দিল্লিবু মালেমগী থাক্তা শেমগৎপা পামদে হায়না দিল্লিগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদ্যানা মরাল শিখি। সিসোদ্যানা হায়, হৌখিবা নুমীৎ কয়ানিগী মমাঙদগী দিল্লিদা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎনবা হায়জখিবা লৈখ্রে। দিল্লিদা মালেমগী থাক্তা মহৈ-মশিনগী থৌশিল পায়খৎনবা অমদি তঙাইফদবশিং শেমদোক্নবগীদমক হায়জখিবা লৈখ্রবনি হায়রি।

আর এস এসতগী হৌরকখিবা সৈত্যদেব নরায়ন অর্য়া হরিয়ানাগী গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

চান্দিগর, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী):

সৈত্যদেব নরায়ন অর্য়া হরিয়ানাগী গভর্ণর ওইনা চান্দিগরদা লৈবা রাজ ভবনদা ৱাশক লৌখ্রে। পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানা হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস কৃষ্ণ মুরারিনা হৌনবী মতুংইন্না সৈত্যদেব নরায়ন অর্য়াবু ৱাশক লৌখি।

আর এস এসতগী হৌরকখিবা অমসুং বিহারদা ৮ লক হন্না বি জে পিগী টিকেটতা এম এল এ ওইরকখ্রবা সৈত্যদেব নরায়ন্না হান্নগী গভর্ণর কপটান সিংহ সোলানকিগী মহুৎ শিন্দুনা থৌ পুখ্রে। অদুগা সোলানকিনা ত্রিপুরাগী অনৌবা গভর্ণর ওইখ্রে হায়রি।

সৈত্যদেব নরায়ন অর্য়া কুমজা ২০১০ দা বিহারদা বি জে পি-জে দি য়ুগী চুংশিন্নবা লৈঙাক মতমদা মিনিষ্টর ওইরম্লবা মীওইনি। মহাক বিহারগী নালন্দা দিষ্ট্রিক্টতা কুমজা ১৯৩৯ গী জুলাই ১ দা রাজগিরগী মনুং চনবা গান্ধী তোলাদা পোকখিবা মীওইনি। পত্না য়ুনিভর্সিটিদা মাষ্টর অমসুং লো গ্রেজুয়েট লোইদুনা পোলিটিক্সতা চঙলকখিবনি। হৌখিবা থাংজ নুমীৎতা ৱাশক লৌখিবা মতমদা সৈত্যদেব নরায়ননা লমদম অদুগী মীয়ামগা হকথেংননা ৱারী শানখি। মীয়াম্না পীরকপা য়াইফ পাউজেলশিং হরাও তয়াম্না লৌখি হায়রি।

সৈত্যদেব নরায়ন অর্য়ানা থৌরম অদুদা মীয়াম্না মহাকপু নুংশিবীখিবা অদুবুসু হরাও তয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোকখি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর মনোর লাল খটা, পঞ্জাব এন্দ হরিয়ানা হায় কোর্টকী জজশিং, হরিয়ানাগী সিনিয়র ওফিসলশিং, পঞ্জাব অমসুং চান্দিগর য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী সিটিজন কয়াসু শরুক য়াখি। মদুদা নত্তনা হরিয়ানাগী স্পিকর বিধা সভা, টনৱার পাল গুজার, হেল্ঠ মিনিষ্টর অনিল ভিসনচিংবা ষ্টেট অদুগী মিনিষ্টর কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

ꯑꯁꯣꯛ ꯀꯨꯃꯥꯔꯕꯨ ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অশোক্ কুমারবু থাগৎচরি

Ashok Kumar

ঐগী চহী অনী শুরবা **Case Lumber Spine ($L_4/L_5/S_1$)** নি। লায়না অসিনা মরম ওইরগা খ্বাঙ নাবা, খোঙ ওই চৎপা ঙমদবা, চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অয়েৎপা ওইবা, তোইনা তোইনা শজিং হৌবা অসিনা হকচাংদা অচৌবা পোৎলুম ওইবা অসিনচিংবনি। অসুক ৱানা লেল্লম্বা পুন্সি অসি **কোন্থৌজম অশোক্ কুমার**-না মহাক্কী ক্লিনিক্তা শুপ্ন তগী নুমিৎ তরানিদা অৱাবা পুম্নমক কোকহনবীরে। মসিগীদমক ঐনা পাউচেগী মতেং লৌজরগা থাগৎপা, হরাউবা ফোঙদোকচরি। মীয়ামগী সেবা কুইনা শাংনা তৌবা ঙম্বা ওইবিয়ু।

Treatment Centre :
Ashok Kumar Health Care
Palace Compound, I/E
Near 'Naw Sindam Sanglen'
***Time :* 5 A.M to 11 A.M.**

থাগৎচরিবা ঃ
Ningthoujam
Sanayaima
Thangmeiband
Yumnam Leikai

HL-P/2052/29

[illegible]/পাইলস ওপরেসন তৌদনা ওজা কবিরাজ অব্দুল হককী হিদাক চাজবদগী মপুং ফানা ফজরে

তশেংনমক ৱাঙ্গৈই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাংদা লায়েংবিরিবা ওজা কবিরাজ **অব্দুল হক কন্টেক নম্বর ঃ ৮০১৪৬২৩৭৫৬, ৮৭৯৪৪২৯৬৮১** কী হিদাক চাজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসগী অৱাবা : খোঙ হাম্বা মরক মরক্তা ঈ য়াওবা, শৌজ নান্থবা, ইনখৎত্রি ফাওবা চংদবা, খোঙ হাম্বা বেরা কাবা, কুইনা চংবা, শৌজ মপান্দা হাক্কৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, পুক খোংবা, গ্যেষ্ট্রিক কাবনি। অদুবু ওজাগী হিদাক চাজবদগী হকচাং য়াম্না নুংঙাইজরে পাইলস মপুং ফানা ফজরে। হৌজিক্তি ঐঙোন্দা নুংঙাইতবা অমা ফাওবা লৈজদ্রে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

থাগৎচরিবা : **S. DEVEN MEITEI**
Bamon Kampu

HL-P/5246/29

[illegible]/ দ্রাইভর অমা পামজে

অথুবগী ওইনা দ্রাইভর অমা পামজে। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক নম্বরশিং অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

HL-P/5296/29
☎ 7642833059 / 9774498987

[illegible]

JOB FOR X AND XII PASS

মণিপুরগী মনুংদা ওইগদবা হৌজিক হৌজিকমক দরকার ওইরিবা তোঙান-তোঙানবা Official Staff 81 (নুপা ৪৪/নুপী ৩৭) কীদমক কেন্দিদেটশিংদগী অথুবগী ওইনা থবক কৌজরি। মশাগী চহী ৩০ গী মনুংদা লৈবা Class X, XII অমসুং Graduation তন্লিবা মীওইশিংনা থবক অসি Apply তৌবা য়াগনি।

***Earning :* ₹10,000/- to ₹30,000/- (PM)**
***Facility :* Lodging + Fooding + Free Tour**

Apply তৌবীনিংবা মীওইশিংনং পুং ১২ দগী নুংথিলগী পুং ৩ গী মনুংদা ইশাগী Bio-data গা লোয়ননা ওফিসতা লাকপীয়ু।

☞ **NO DEPOSIT REQUIRED**

***Contact :* ☎ 8014170652, 8414834122**

HL-P/3615/29,31Aug&4sep.

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/দশা য়েংজরি



মখাগী হিরমশিং অসিদা কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়েংজরি লোয়ননা ফনবা তানবিয়ু। অঙাংগী মহৈ-মশিং, দশা-লাংফম, পক্নবা থবক, লাইরিক পানিংদবা, ঙাংনবা ঙমদবা, নিশাদা লাইচুবা, মোবাইলদা উংবা, শুফম-নোমফম খঙদবা, দাউ য়াদবা, শেল তুঙদবা, চানবা করবার, পক্নবা লক্কিষ্টোন, প্রমোসন, ভোট লেপ্পা, লমগী কেশ থেংনবা, য়ুম-ইশ্বোল, গাড়ী, য়ুম্বাল মহী লাংবা, লুহোংবা থিন্থবা, অঙাং ওইবা ঙমদবা, মীনা কল্লক-য়েংথিবা, হকচাং অনাবনা য়েৎপা, পোৎশেম-যাদু লৈবা, ঙাওরি-ফৈরি তৌবা অসিনচিংবা। মতম অয়ুক পুং ৭ তগী ১২.৩০ ফাওবা লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

মীয়ামগী: **জ্যোতিষ মহাঋষি**
JM Dr Ph. Rajendra
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai,
Academy Road, Imphal

HL-P/5205/10/8-9/9

In the High Court of Manipur at Imphal

W.P.(C) No.331 of 2018

In the matter of Writ Petition under Article 226 of the Constitution of India praying for issuance of a writ in the nature of certiorari or any other appropriate writ/order/direction that this Hon'ble Court deems fit and proper; the illegal, arbitrary and discriminatory denial of promotion to the petitioners though they are quite eligible and within the zone of consideration for appointment on promotion to the post of Farm Overseer, Department of Sericulture, Govt. of Manipur whereas various incumbents who are far junior to the petitioners have been promoted to the said post of Farm Overseer vide the impugned order dated 05-03-2018 in complete violation of the relevant service rules and settled position of law; a writ petition praying for setting aside the proceedings of the DPC meeting held on 30-01-2018 for promotion to the post of Farm Overseer in the Department of Sericulture, Govt. of Manipur and the impugned promotion order dt. 09-03-2018 in respect of the private respondents with a further prayer to direct the official respondents to hold a review DPC for appointment on promotion to the post of Farm Overseer in the Department of Sericulture, Govt. of Manipur by considering the cases of the petitioners for promotion to the said post within a stipulated period.

Smt. L. Dasumati Devi, aged about 56 years, D/o L. Thanil Singh, resident of Leimaram Awang Leikai, P.O. & P.S. Nambol, District Bishnupur, Manipur & 2 Ors.

... PETITIONER

-Versus-

The State of Manipur, through the Principal Secretary/ Comissioner (Sericulture), Govt. of Manipur, Imphal, Manipur & 20 Ors.

... RESPONDENTS

To

1	Shri M Rameshore Singh	Respondent No. 3
2	Smt. Ph. Subadani Devi	Respondent No. 4
3	Khamliankap	Respondent No. 5
4	Shri Kh. Norendro Singh	Respondent No. 6
5	R.S. Aron Lolley	Respondent No. 7
6	Smt. Ph.Tombi Devi	Respondent No. 8
7	Shri W. Nilamani Singh	Respondent No. 9
8	Shri K. Ingocha Singh	Respondent No. 10
9	S. Losii Mao	Respondent No. 11
10	A.S. Masoshai	Respondent No. 12
11	Paya Tunhring Anal	Respondent No. 13
12	Leinboy Gangte	Respondent No. 14
13	Mrs. Ningngaihching	Respondent No. 15
14	Mrs. Ningkhanniang	Respondent No: 16
15	Shri Ch. Apabi Singh.	Respondent No. 17
16	Smt. L. Memcha Devi	Respondent No. 18
17	Md. Abdul Salam	Respondent No. 19
18	Shri Y. Inaobi Singh	Respondent No. 20
19	Shri N. Shakmacha Singh	Respondent No. 21

NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C

(SUBSTITUTED SERVICE)

Whereas the Hon'ble Court vide its order dated 07.08.2018.passed.in WP(C) No. 331 of 2018 in the matter mentioned above has been pleased to permit the petitioner to serve notice to the Respondent Nos. 3 to 21 by way of "Substituted Service" through publication in 2(two) local dailies, one in English and one in local varnacular for two consecutive days returnable on 31.08.2018

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making publication in the Newspaper requiring you to appear before the Court on or before the returnable date i.e. 31.08.2018 either in person or by a lawyer duly authorized.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by your lawyer or by someone authorized by law to act for you in the aforementioned Case on the date of appearance or before such later date on which the Case may be heard and decided Ex-Parte in your absence.

Signed and sealed by order of the Court this the 27th day of August, 2018.

By Order,
M.C. Nandini
Assistant Registrar-I
High Court of Manipur
Imphal (Manipur)

By: Mr. Kh. Tarunkumar, Advocate.

HL-B/4817/29&30